# জর্মন নেভি চীফনা দেল্লীদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরগা মরী লৈননা রিজাইন তৌখ্রে




বর্লিন, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা লাকখিবা জর্মনিগী নেভিগী চীফ দেল্লীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরগা মরী লৈননা জর্মন গভর্ণমেন্ট অমদি য়ুক্রেননা অকনবা রেস্পোন্স উৎলকপদগী রিজাইন তৌখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা দেল্লীদা লৈবা মনোহার পরিকর ইন্সটিট্যুট ফোর দিফেন্স ষ্টদিজ এন্দ এনলাইসিস (এম পি আই দি এস এ)দা ৱা ঙাংবদা ভাইস এদমিরেল কে-অচিম সোনবাকনা হায়খি মদুদি, রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা পাল্লিবদি মরী লৈনবা খূদিংমক্কা মহাকপু ঈকায়খুম্নবা অদুনি অমসুং রসিয়ানা লৌশিনখ্রবা ক্রিমিয়া য়ুক্রেনদা অমুক হন্না তীল্লরোই।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪দা মালেমগী অকনবা ক্রিটিসিজম মরক্তা রসিয়ানা য়ুক্রেনদগী ক্রিমিয়া লৌশিনখিবনি। সোনবাকনা হায়খি মদুদি, ক্রিমিয়ন পেনিনসুলা য়ুক্রেনদগী চৎখ্রে। মসি অমুক হল্লক্লরোই হায়বসি চুল্লবা ৱাফমনি। রসিয়ানা য়ুক্রেনগী লম মচেৎ অমা মখোয়গী লমদা তীলহনবা পাল্লমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমনি। মসি অচুম্বা ওইরোই। পুটিননা প্রেসর পীখিবগী মরমদি রসিয়ানা তৌবা ঙম্বদু উৎনিংবগী ওইরমগনি। মহাক্কী প্রেসরনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নবু মচেৎ তাহল্লি। মহাক্না তশেংনা পাল্লিবদি মহাকপু ঈকায়খুম্নবীবা অদুনি।

সোনবাকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক রোমান কেথলিক অমনি অমসুং লাইদা থাজে। মহাক খৃষ্টিয়ন লাইনিংদা থাজবা থম্মী অমসুং মশামক খৃষ্টিয়ন লৈবাক অমদা লৈবনি। পুটিন লাইদা থাজবা মীশক অমা নত্তে। তৌইগুম্বসুং দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা নৎত্রবসু রসিয়াগুম্বা অচৌবা লৈবাক অমা ঐখোয়গী মীচঙ ওইহৌবা হায়বসি য়াম্না মরুওই, মরমদি মসিনা রসিয়াবু চাইনাদগী লাপ্না লৈহনগনি।

অমরোমদা, সোনবাকনা রসিয়াবু চেচন্যাদা চত্থখিবা থৌওংশিংগা মরী লৈননা ক্রিটিসাইজ তৌখি। রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা লান্দানবা থৌরাং তৌরি অমসুং বোর্দরদা রসিয়ন ত্রুপ ১০০,০০০ হেন্না পৈশিন্দুনা থমখ্রে হায়রদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়াগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা উৎতুনা লৈরিঙৈদা মহাক্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ু কে অমসুং য়ু এসনা য়ুক্রেনদা খুৎলায় কয়ামরুম থাজিনখ্রবসু জর্মনিনদি হৌজিক ফাওবা খুৎলায় থাজিনবা লৈত্রি। এজেন্সীনা বর্লিনদগী পীরকপা পাউ মতুংইন্না সোনবাকনা থাংজ নুমীৎকী অথেংবদা রিজিগনেসন পীশিনখি। ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি মদুদি, মহাক্না দিফেন্স মিনিষ্টর কৃষ্টিন লম্ব্রেচতা খুদক্তগী দ্যুটি অমক্তা শীন্নদনবা হায়জখ্রে। মিনিষ্টরনসু মহাক্কী ৱাফম অদুবু য়াবীখ্রে।

থাংজ নুমীৎতা য়ুক্রেন গভর্ণমেন্টনা জর্মন এম্বেসেদর অঙ্কা ফেলধুসেনবু সম্মন তৌদুনা সোনবাককী কম্মেন্টশিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎখিবনি।

# ঈশিং-ঈচাউ মনুংদা অশিবশিং লোৎশিনখি হায়বা চাইনিজ ওফিসলশিং ফাগৎখ্রে



বৈজিং, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহীদা চাইনাদা শাথিরবা ঈশিং-ঈচাউ থোকখিবা মতমদা চাইনিজ প্রোভিন্স অমগী ওফিসলশিংনা অতম্লনা অশিবা ১৩৯ রিপোর্ট তৌদবা নৎত্রগা লোৎশিনখি হায়না লৈবাক অসিগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মদুদা চেন্নবা মীওই খরা ফাগৎখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০২১গী জুলাই ১৭তগী ২৩ ফাওবদা সেন্ট্রেল চাইনাগী হেনান প্রোভিন্সতা নোংলৈ-নুংশিৎ অকনবা শিৎলকখিবগা লোয়ননা নোং কন্না চুবদগী রিজার্ভর কয়া ঈশিং পাথোকখি অমসুং তুরেল তোর্ব্বান কয়া কায়বগা লোয়ননা মরুওইবা সিটিশিংদা ঈশিং থুমদুনা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টম অমদি লম্বীশিং মপুং ফানা ফেল ওইখি। জেংজৌ সিটিদা শুপ্পগী নুমীৎ হুম্ন খিক্কী মনুংদা নোং এম এম ৬০০ হেন্না হায়বদি চহী ১গী চাংচৎকী নোংগী চাং চুখিবগা লোয়ননা মেট্রো ষ্টেসনশিং অমদি ক্রোস-সিটি টনেল অমা ঈশিং থুমখি। টনেলশিং ঈশিং থুমজিনখিবদগী জেংজৌ মেট্রো ষ্টেসনদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা মীপায়নিংঙাই ওইরবা ফুটেজদা কেরিএজশিংগী মনুংদা ঈশিংগী ঈমায় অদু পেসেঞ্জরশিংগী কোক্কী মপা ফাওবা য়ৌবা উখি। অতোপ্পা মীওই তরুক অমসু মতম অদুদা রোদ টনেল অমদা শিখি। মফম অদুদা কার ১০০ হেন্না ঈশিংদা লূপখিবনি।

চাইনাগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী গভর্ণমেন্ট বোদি ওইরিবা ষ্টেট কাউন্সীলনা ফোঙদোকখিবদা, দিজাষ্টর অদুগী মতাংদা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেসন অমা রিভিয়ু তৌখি অমসুং মদুদা লোকল অমসুং প্রোভিন্সিএল ওফিসলশিং অমদি ওথোরিটিশিং মথৌদা থৌশাদবগী মরাল লৈ হায়না লেপখি। মরুওইনা সবৱে অমসুং টনেলদা থোকখিবা মীশি-মীনাশিং নীংথিনা য়েংশিনখিদে হায়না লেপখি।

ইরাই নুমীৎতা থাগৎলকখিবা ওনলাইন ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেট কাউন্সীলনা সিটিগী ওফিসলশিংবু মী শিবগী কেস ১৩৯ ফাওবা অতম্লনা রিপোর্ট তৌখিদে হায়না মরাল শীখি। ওফিসলশিংদুনা নুমীৎ খূদিংগী মীশি-মীনাগী মতাংদা রিপোর্ট তৌফম থোকপদা মখোয়না দিজাষ্টর অদুদা শিখিবশিং নৎত্রগা থিবা খঙখিদবশিং রিপোর্ট তৌবদা থেংথখি নৎত্রগা লোৎশিনখি হায়না কাউন্সীলনা মরাল শীখি।

থবক্তা থৌশাদবগা মরী লৈননা দিটেন তৌখিবা ওফিসল ১০০ রোমগী মনুংদা জেংজৌগী মকোক থোংবা গভর্ণিং মেম্বরশিং য়াওখি। মখোয়গী মনুংদা পনবা য়াবশিংদি জেংজৌগী কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি কম্মিটিগী সেক্রেটরি সু লিয়ি অমসুং সিটি অসিগী ভাইস-মেয়র ৱু ফুমিননি। মখোয় অনীমক দিসমিস তৌখ্রে। ইনভেষ্টিগেসন মতুংদা ফাখিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই ২৫ হেন্না ঈরাক্লদুনা শিখিবা সবৱে লাইন অমা য়াওনা জেংজৌগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎখিবা কম্পনিগী মেনেজরশিংসু য়াওখি।

# আই এস মিলিটেন্ট কয়া জেলদগী নান্থোকখিবদগী ইরাকনা বোর্দরদা সিক্যুরিটি থৌরাং কনখৎখ্রে



বাঘদাদ, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
সিরিয়াগী হসাকাহ প্রোভিন্সতা লৈবা কুর্দিশনা কন্ট্রোল তৌবা জেল অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেররিষ্টশিংনা শাথিরবা এট্টেক অমা চত্থদুনা গ্রুপ অসিগী মীওই কয়া নান্থোকখিবা মতুংদা ইরাক্না সিরিয়াগা তায়নবা বোর্দর এরিয়াশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎখ্রে।

জন্যুৱারী ২০দা আইএস মিলিটেন্ট গ্রুপ অমা হসাকাহগী খ্বেরানদা লৈবা জেল অমদগী নান্থোকখিবনি। গ্রুপ অসিগী মীওই কয়া জেলদগী নান্থোকখিবা মতুংদা কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস অমসুং টেরর গ্রুপ অসিগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। ইরাকি ফোর্সেসকী কম্মান্দর-ইন-চীফকী স্পোক্সমেন য়াহিয়া রাসুলনা থাংজ নুমীৎতা ওফিসল ইরাকি ন্যুজ এজেন্সী (আই এন এ)দা ফোঙদোরকখিবদা, ইরাকি-সিরিয়ন বোর্দরদা সিক্যুরিটি চেকশিন থৌরাংশিং শরুক অনী হেনগৎনবা ইরাকি ফোর্সেসকী কম্মান্দর-ইন-চীফনা দিরেক্টিভশিং ইস্যু তৌরে। ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা ইরাক্কী টেরিটোরিদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনরকপদা থেংননবা ইরাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শেম-শাদুনা লৈরে।

য়ু কেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস (এস ও ঐচ আর)কী মতুংইন্না, আই এস মিলিটেন্টশিংনা সিনাগী জেল অদুগী গেট কার বোম য়াওবা ফ্যুল টেঙ্কর অমা পোকখায়হল্লগা থুগায়খি। থৌদোক অদুদা ইনমেট কয়া জেলদগী নান্থোকখি অমসুং কুর্দিশ সিক্যুরিটি মেম্বর কয়া অশোক-অপন নংখি। ফারবা আই এস মিলিটেন্ট কয়ানা মমাঙদা হসাকাহদা লৈবা জেল অদুদগী নমদুনা নান্থোক্লবা কয়ারক হন্না হোৎনবা লৈখ্রবনি।

# টালিবান দেলিগেসনগী মায়োক্তা অফঘানশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ওস্লো, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
নোৱেগী ওস্লোদা খোঙচৎ অমা চৎলিবা অৱাংবা থাক্কী অফঘান দেলিগেসন অমগী মায়োক্তা সিটি অসিদা লৈরিবা অফঘান কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

টালিবাননা অফঘানশিং রিপ্রজেন্ট তৌদে হায়রদুনা ওস্লোদা লৈরিবা অফঘানশিংনা ফোরেন মিনিষ্টর অমির খান মুট্টাকিনা লুচিংবা অফঘান দেলিগেসন অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। মখোয়না টালিবান দেলিগেসন অদুগী খোঙচৎ অমদি দেলিগেসন অদুনা নোৱেগী ওথোরিটিশিং অমদি ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মীওইশিং উনববু য়ানিংদবা উৎতুনা থাংজ নুমীৎতা দেমোন্সত্রেসন পাঙথোকখিবনি।

অফঘান প্রোটেষ্টরশিংনা ফোঙদোকখিদবা, য়ু এসনা ব্লেকলিষ্ট তৌবা টেররিষ্টশিংগী লিষ্টতা টালিবানসু য়াওই। নোৱেদা মখোয়গা নিগোসিএসন চত্থবগী থবক অমত্তা য়াহল্লোইদবনি। নোৱে গভর্ণমেন্টনা ইনভাইট তৌবদগী টালিবান দেলিগেসন অদু থাংজ নুমীৎতা ওস্লোদা থুংখিবনি। মখোয়না নোৱিজিন ওফিসলশিং, য়ু এস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)গী এনভোইশিং অমদি মরুওইবা অফঘান লিদর খরগা লোয়ননা মরুওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা দেলিগেসন অদুনা ৱারী শান্নগনি হায়না ইরাই নুমীৎতা টালিবানগী দেপ্যুটি স্পোক্সমেন ইনামুল্লাহ সমানগানিনা ফোঙদোকখিবনি।

নুপীমচাশিংবু মহৈ-মশিন তম্বা ফংহনবা অমদি হ্যুমেন রাইটসতা মীৎয়েং থম্বা অফঘানিষ্টানগী মতাংদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী সম্মিট অমদা টালিবান দেলিগেসন্না শরুক য়াগনি হায়বসি ওস্লোদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনসু কনফর্ম তৌখি। তৌইগুম্বসুং মীটিংশিং অসিনা টালিবানবু শকখঙবা নৎত্রগা লোনা য়াই হায়বসি উৎপদি ওইরোই হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

মসি টালিবান দেলিগেসন অমনা জন্যুৱারী মনুংদা মপান্দা চৎপা অনীরকশুবনি। থা অসিগী অঙনবদা মুট্টাকিনা লুচিংবা দেলিগেসন অমা ইরানদা চৎখি। মহাক্না হেরা প্রোভিন্সকী হান্নগী গভর্ণর ইস্মাইল খান অমসুং রেজিষ্টেন্স ফ্রন্টকী লিদর অহমদ মাসুদকা ৱারী শানখি। অদুম ওইনমক রেজিষ্টেন্স ফ্রন্টকী মায়কৈদগী ৱারী শানবদু পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা রিজল্ট ফংখিদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# সাউথ কোরিয়াগী এয়র ত্রাফিক চাদা ১০.৮ হেনগৎখি

সিওল, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহীদা দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিংগী মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়াগী এয়র ত্রাফিক চাদা ১০.৮ হেনগৎখি। তৌইগুম্বসুং কোভিদ-১৯ পেন দমিক মরক্তা ইন্টরনেসনল ত্রাভেলগী চাং হন্থখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ লেন্দ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ ত্রান্সপোর্টকী দেটা মতুংইন্না হৌখিবা চহীদা সাউথ কোরিয়াদা দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনল ফ্লাইট ৪৬৫,০০০ হেন্না পাইখি। হন্দক চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিগী এয়র ত্রাফিক থেঙ্খাং নাইনা হেনগৎলকপা উখি। কুমজা ২০১৬তা ৭৩৯,০০০ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৯দা ৮৪২,০০০ য়ৌখি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী এয়র ত্রাফিক কুমজা ২০২০দা ৪২১,০০০দা হন্থরকখি হায়বসি দেটা অদুনা উৎখি।

# কুৱেটনা লেবাননগা মরী হঞ্জিনহনবা পাম্মী : ফোরেন মিনিষ্টর



বৈরুট, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
কুৱেটনা লেবাননগা মহৌশাগী মরী হঞ্জিনহনবা পাম্মী হায়না কুৱেটকী ফোরেন মিনিষ্টর সৈখ অহমদ নাসের অল-মোহম্মদ অল-সাবাহনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি লেবাননগী খোঙচৎ অমদা বৈরুটতা ফোঙদোকখিবনি। কুৱেটকী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি, মহৌশাগী মরী হঞ্জিনহন্নবগীদমক্তা লেবাননা অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিনবা লেপকদবনি অমসুং অরব গল্ফ লৈবাকশিংদা এট্টেক তৌবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইহল্লোইদবনি। অল-সাবাহনা ৱাফম অসি থাংজ নুমীৎতা বৈরুটতা লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর নাজিব মিকাতিগা ৱারী শানরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, মিকাতিনা হায়খি মদুদি, লেবাননা গল্ফ কোওপরেসন কাউন্সীল (জি সী সী)গী লৈবাকশিংগা কোওপরেসন হেনগৎহনবা পাম্মী। অল-সাবাহবু তরাম্না ওক্লদুনা মিকাতিনা হায়খি মদুদি, লেবাননা অরব ইচিল-ইনাওশিংগা অমুক হন্না অচেৎপা মরী থম্ননবা হোৎনরগনি। খোঙচৎ অদুনা মচিন-মনাও ওইবগী ৱাখল হেনগৎহনবগা লোয়ননা লেবানন অমসুং কুৱেটকী মরক্তা লৈরিবা অমগা অমগা থাজনবগী শাংলবা পুৱারী নীংশিংহল্লি। জি সী সীগী লৈবাকশিংগা কুৱেট, সাউদি অরাবিয়া অমসুং বহারিয়ন য়াওনা জি সী সীগী লৈবাকশিংনা হৌখিবা ওক্টোবরদা লেবানিস দিপ্লোমেটশিং তান্থোকপগা লোয়ননা মখোয়গী এনভোইশিং কৌথোকখিবনি।

# ৱারী শানবদা য়ানবা পুরক্তবদগী পাকিস্তাননা লালহৌবা গ্রুপ টি টি পিগা লান্থেংননবা শেম-শাখ্রে



ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
অথিংবা থমখ্রবা টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিস্তান (টি টি পি)না অকনবা কন্দিসনশিং থম্লকপদগী গ্রুপ অসিগা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রে হায়না পাকিস্তানগী ফেদরেল ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সৈখ রাসীদ অহমদনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অফঘান-টালিবাননা মখোয়গী লম পাকিস্তানগী মায়োক্তা শীজিন্নহল্লোই অমসুং টি টি পিগা ৱারী শানবদা ৱাতেমগনি হায়না থাজবা পীখি। ঐখোয়না টি টি পিগী ত্রুপ খরগা ৱারী শানখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী কন্দিসনশিং অদু কনমনবদগী ঐখোয়না য়াবা ঙমখিদে। টি টি পিনা লান্থেংনবা পাম্লবদি ঐখোয়না মখোয়গা লান্থেংনগনি।

অফঘান-টালিবাননা টি টি পিগা ৱারী শানবা লৈখ্রবসু মখোয়গী দিমান্দশিং অদুদা ঐখোয়না মখা তানা ৱারী শানবা ঙমখিদে। টি টি পিনা সিজ ফায়র থুগায়খি। অদুনা টেরর এট্টেক থৌদোকশিং হেনগৎলকপনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদি অফঘানিষ্টানগী ইনভাইরনমেন্ট পাকিস্তানদা তাথিবগী ফীভম লৈত্রে। মসিগী মরমদি হৌজিক টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা পাল্লকপননি। ইস্লামাবাদতা ভি ভি আই পি দিগ্নিটরিশিং লৈগদবনা মরম ওইদুনা লম্বীশিং থিংগদবা ওইবনা ফেদরেল কেপিটেল অসি য়ৌনবা ওপোজিসন এল্লাইয়েন্স পাকিস্তান দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পি দি এম)না লমশাং খোঙচৎ অমা চৎননবা থৌরাং তৌরিবদুগী মতম হোংদোক্লবসু সৈখ রসিদনা আপীল তৌখি।

ওপোজিসন কোলিসন্না খোঙচৎ অদু মার্চ ২৩দা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, ও আই সী লিদরশিং মার্চ ২৩গী পেরেদতা শরুক য়াবা লাক্কনি। মার্চ ২১দগী লম্বীশিং ক্লোজ তৌগনি।

# টর্কিশ লান্মীনা সেল কাপশিনবদা সিরিয়াদা মীওই মঙা শিরে



দমাস্কস, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
কর্দশিংনা কন্ট্রোল তৌবা সিরিয়াগী অৱাংথংবা রাক্কা প্রোভিন্সতা টর্কিশ লান্মীশিংনা সেল কাপশিনবদা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই মঙা শিখিবদু থাংজ নুমীৎতা চত্থখিবা এট্টেকতনি। হৌজিক টর্কি অমসুং রাক্কাগী অয়িন ইসা এরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)কী মরক্তা কন্না উংখৎনবা লৈ হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, তোয়না খুৎ থোক্লবা অমসুং সেল কয়া কাপশিনবা অসিনা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাংথংবা লমদমদা কুর্দিশ মিলিসিয়া কাঙবুশিং লৈহনবা পামদে হায়বসি উৎলি। য়ু কেদা বেজ তৌবা ৱাটচদোগ গ্রুপ অসিনা হায়, খূৎ থোক্লরিঙৈ অমসুং সেল কাপশিল্লিঙৈদা টর্কিনা শৌগৎপা সিরিয়ন রেবেলশিং অয়িন ইসাদা চঙশিন্নবা হোৎনখি। কুমজা ২০১৮দা টর্কিনা নোদর্ন সিরিয়াদা অচৌবা কেম্প্যেন চত্থখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটনা স্কুলশিংগীদমক কোভিদ-১৯ স্মার্ট প্লান অমা লাউথোকখ্রে



সিদনি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
কোভিদ পেন্দমিক ৱেভ লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না মহৈরোয়শিংনা মতম কুইনা লেপ্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না স্কুল কারকপদা ইনফেক্সনগী রিস্ক য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমীৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিয়ু) ষ্টেটনা কোভিদ-১৯ স্মার্ট প্লান অমা লাউথোকখ্রে।

অনৌবা থৌরাংশিংদুগী মনুং চন্না এন এস দব্লিয়ুদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমসুং নন-গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী মহৈরোয় অমসুং ওজা খূদিংমক ফেব্রুৱারী ১দা ফিজিকেল ক্লাস হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট (আর এ টি) কিটশিং ফংহল্লগনি। প্রাইমারী অমসুং হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিং, স্কুল ষ্টাফ অমসুং প্রি-স্কুল অঙাংশিংগী ওজাশিংগী ওইনা চয়োল অমদা সর্ভিলেন্স টেষ্টিং অনীরক পাঙথোক্কনি। সেমিষ্টরগী অহানবা চয়োল মরিগী মনুংদা সর্ভিলেন্স টেষ্টিং পাঙথোক্কনি। সেমিষ্টর হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চয়োল অনী কিটশিং য়েন্থোক্কদবনি। ষ্টাফ অমসুং হায় স্কুল মহৈরোয় পুম্নমক শুংশোয় শোয়দনা ফেস মাস্কশিং উপকদবনি। প্রাইমারী স্কুলগী অঙাংশিংসু শুংশোয় শোয়দনা ফেস মাস্ক উপহনগদবনি।

তোঙান তোঙানবা চহী গ্রুপশিংগী মরক্তা য়ারিবমখৈ ইন্টরেক্সন তৌরোইদবনি। লোয়ননা স্কুলশিংদা ভিজিটরশিং চঙবদসু মশীংগী পনখৈ লৈরগনি। হৌজিক্কী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদা এন এস দব্লিয়ু ওষ্ট্রেলিয়াগী ইপিসেন্টর ওইরিবনি। নোংমাইজিং নুমীৎতা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কোভিদ কেস ২০,৩২৪ থেংনখি।

# ইন্দোনেসিয়াদা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরসকী ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা মীওই অনী শিহনখ্রে



জকর্টা, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী):
ইন্দোনেসিয়াদা কোরোনা ভাইরসকী য়াম্না লৌনগনবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী কেস মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ভেরিয়েন্ট অসিনা মীওই অনী শিহনখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপর্সন সিতি নাদিয়া তার্মিজিনা থাংজ নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, কেস অমদি বান্টেন প্রোভিন্সতা থেংনখিবা লোকেল ইনফেক্সননি অমসুং অতোপ্পা কেসতনা ইন্টরনেসনল ত্রাভেল্লর অমনি। মহাক কেপিটেল জকর্টাদা শিখিবনি। পেসেন্ট অনীমক মশাদা হান্নদগী লায়না কয়া চেনবশিংনি।

ইন্দোনেসিয়াদা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী অহানবা কেস থেংনরে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ১৫দা লাউথোকখিবদগী লৈবাক অসিদা ভেরিয়েন্ট অসিগী কেস পুন্না ১,১৬১ দিটেক্ট তৌখ্রে। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং নিংথৌকাবা নুমীৎতা ৭৭২ ওইখিবদগী থাংজ নুমীৎতা ৩,২০৫দা হেনগৎখ্রে।

ইন্দোনেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোস্পিটালশিংগী বেদ কেপাসিটি হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা অকনবা লায়ওংশিং চেন্দবা কোরোনাভাইরস পেসেন্টশিংগী ওইনা টেলিমেদিসিনগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবগী থৌরাংশিংসু লৌখৎখ্রে।